"মতম অসি ফৎত্রবনি। তুমিন লৈমু। লাউনা ভাঙগনু।
... তাগনি করেন্নবা ওইনা।" - এলাংবম নীলকান্ত (তীর্থ যাত্রা)

# শৈরেং

## কবীরগী ঈশৈ (৫শুবা)

মঙলান্দা লাক্লম্মী ঐগী ইবুংঙোনা ইনাক্তা
মানা শোল্লকপদা মেঙনা, মিকপ থোকখি ঐহাক।
ঐগী মঙলানগী বরদো ফংজনবা
মীৎকা পাংথোক্লমদে ঐহাক্তি।
ঐগী ইবুংঙোনা ইবিরম্মী মাগী নুংশি মপাউদো
পীল্লবা ঐগী থম্মোয় কাচিননুংদা।
ঈশিং মরীক অমত্তসু থকউদ্রে ঐহাক্তি
চামথোকখিগদ্রা কিজবনা নুংশি মপাউদো।
অমুক্তগা লাকউগবা কদৌবগে ঐগী মিৎলুদা, পাম্মুবা
খুদক্তা উইশিঞ্জগে ইমিৎসে ঐহাক্কী
উজনবা ঐতনা মফমদুদা নহাকপু
কনানসু নঙবু উঙমদবা।
(কবীরগী ঈশৈদগী শ্রীভক্তনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)

খৌরাংনা ঙাইজরকপা
থৎলদুনা লৈখ্রে,
কোভিদ কৌবা
অনৌবা শক্লোন পুবা
শক উদবা 'দুনা।
বসন্তগী মচু মচুগী
কুম্মৈ মরক অসিদা
পূক্নিং ৱাখলনা
মনিং তল্লদুনা,
কোইনা চৎলুই
ঈপাক কয়া লান্দুনা।
হে বসন্তগী লাইরেম্বী
লৈচিল্লক্কী থাজসে
অমুক্তংদি থম্বীরম্মু ইনাক্তা
যৌবনগী পুন্সিনা লোইদ্রিঙৈ
থেংনজহৌগে অমুক্তা।

## খূৎনা ঙমদবা করি লৈ?

—ইরুংবম দেবেন

নীংশিং মিংশেল মমাঙদা লেপ্পুনা
কুইনা য়েংলুদ্রবা শক অসি য়েংলিঙৈ
মতম কুইরবগী মমাঙদা শিখ্রবা
চাবা-থকপা-লৌবদা হালেংবা লৈত্রবা
নুপা অমগী তমথীরবা শক্তম্না
শৎ লাউনা থোরকই মরুমদগী।
ঐগী শক্তম্বু লাক্তুনা ইন্থোকখ্রগা
মিংশেলগী মমায়দগী মখূৎ অদু
কনাগুম্বনা এ টি এমগী পৈশা লৌননবা
মখূৎ থিন্দোরকপগুম্না থিন্দোরক্তুনা
ঐগী ফূরিৎখাওদা শৎ হুমজিল্লকই;
অয়াওবা পূম্নমক লোইনা লৌখি।
মহাক্কী ফৎত্রবা হৈনবীদু
শিরবসু মহাক কোকপা ঙল্লমদরি।
মহাক্না হঞ্জিন হঞ্জিন লাক্লখ্রবা ঐবু
কাউরমদরি মহাক্না ঙসি ফাওবা!

## মৈরায়

—যোদ্ধচন্দ্র সনসম

চাক্লি
মীৎনা উরমদবা মৈরীসিনা
শন্দোক্তুনা
লমজাউ খোনবা মৈজাও ওইনা।
তপ্লা তপ্লা লাক্লি ৱাখল-পরিং অমা:
হেন্না হেন্না চাকখ্রসনু
অমোৎ-অকায়, অমাং-অশোয়,
উরাউ-থরাউবা মখোয়শিংসু য়াওনা লোইনমক।
নৎত্রবদি
করম্না মাঙহনখিগনি ফত্ত-হাওদিশিং
চাকথেকখিদ্রবদি মৈজাওসিনা?
চোঙশিল্লকপগুম তৌরি মৈজাওসিনা
ইরুজথোকচরুরবশিংগী মথক্তসু
হিদেন্দা কাখৎচরকপা অশেংবশিংগী মথক্তসু
লোইনাইদবা মতমগী ঈচেলদা
শন্দোক্লকপগুম তৌরি মৈরিসিনা
তূমিন্না হোঞ্জরিবা ৱাখলগী হিজাউ কয়াদসু
পীক্না নুংশিনা তাউদুনা লৈজরম্বা হিনাউ কয়াদসু।
হায়নীংলক্লে হৌজিক্তি
চাকখ্রসনু হিজাউ-হিনাউ
প্লেক্সি গ্লাসকী নৎত্রগা ছিরামিক গ্লাসকী
হিজাউ-হিনাউ ওইনা অনৌ-অনৌবা থোক্লক্লবা
হেন্না ফজবা, চাকথেকপা ঙল্লোইদবা।
মায়োক্লবা তাই মৈৱায়সিবুসু
টিতানিয়মগী অনৌবা ৱাখল-হিদা তোংদুনা।
চাকথেকখ্রসনু হেন্না হেন্না
অনৌবা তাবঙ অমা লাক্লনবা,
অনৌবা জীনগী, অনৌবা দি এন এগী ম্যুটেইশন্দা
অনৌবা অহিংবা ওইরক্লবা,
ওইখিবা নত্তবরা তাইবঙসিসু
য়েলহৌঙৈগী মৈৱায়না শেমখিবা
ঐখোয় পূম্নমক্কীদমক
মালেমদা
নৌনা খোঙদারকখিবা অহিংবশিংগীদমক?

## মৈগী চীং

—অকোইজম ইবোহল

মথায় থায়নগী ৱারীনি
লৈরম্মী মৈগী চীং 'মা
মৈ হৌখিদরে, মৈখু থোকখিদরে
ময়া য়াওদ্র নোংশাগুল্লে;
খুঞ্জা অঙাং নৱা খিবিক
মতম্বাক্তা শান্নরম্মী চেন চোংদুনা,
তিনখেৎ লাইখেৎপা নহাশিংদো
মানা মানা অপাম্বা
অনীং অনীংবা তৌনরমখি
মখৌ পোঙনা লাউনরম্মী
কদায়দগী মৈগী চীংনোদা।
মৈগী চীংদো ৱারৌরমাল্লে
তূমদুনা লৈবা ঙল্লক্ত্রমাল্লে
খাঙবগী পনখৈ লাল্লক্লবদা
পোকখায়রকখি নোংমদি লৈজবী থাদুনা
ওন্থোকপা মতৌ লাংওননি
অমুক্তা উখিদ্রিবা শক্তমনি
লৈখোম লৈনাং নূঙজ্রেংনা
পুঙমম মমখি নোংদোলথক
মীপায়নরবা থৱায় পানবশিংদো
হা হা কার লাউনরদুনা
চেন্নখি মায়কৈ মরি শীনবা থুং।

## এম জি নরেগা

—এম নিলকুমারি

তুদুনা লৈহৌরে
কনাননো ইন্তুবীরম্লিবা?
এম জি নরেগা
চাওখৎ লমজেলদা য়াওরকপনি
চীংজাওদগী চীংশাংদগী চীংমায়দগী
নূঙজাও নূঙদুম পুরক্তুনা
লোইনরকপনি - নূঙকুপ লৈঙোই বিলাটিমাতি
তুদুনা লৈহৌরে,
ইপু গান্ধী বাপুজিগী শক্তমসু য়েক্লি।
লৈরক খুল্লক যূমলক্কী
তুরেল মচা শেম্বনি।
হৌগৎপীদনা তাদুনা তুদুনদি লৈহৌরে।
এম জি নরেগা।
খুঙ্গং থুংনা চৎপদা
চোকথদুনা ৱারদুনা
উপথুননা তুরবরা?
শিরিবরা-হিংলিবরা
খোঙথাং অনীরক লাকখিদ্রে।
শেঙ্গাও চোন্নবা শেনয়াম ফংনবা
মদুতগী পান্দমলা
এম জি নরেগা ঃ

## নুংশিবগী পাওদম

—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লারবোন্দ

নুংশিবী ঐগীদি চান্নবী
নুংশিজৈ নঙতবু ঐতনা
অপাম্বা খুদিং থুংহনবী
অনীংবা পূম্বসু পাংহনবী
নোংমতা মাই হায়জদবী
নুংশিজৈ ঐনা নঙতবু।
লান্না শীজিন্নবসু য়াওরমগনি
নুংশি মশক খঙদবনা,
কুচু কুমেন মান্নদেদো
ৱাখল পূক্নিংসু খেন্নৈদো
অপাম্বা মখলসু তোঙাল্লিদো
অদুবু নুংশিজৈ নঙতবু।
কনাগী তাথিৱা কয়াবু
অফবা ওইনা তম্মোলাও
অফবা পাউজেল কয়াবু
অৱা অনা থিদনা
মালেম শিন্না পাউদমলু
ঐসু মোমোন নোকচগে।
উনহল্লু নুংশিবা মরুপ
পাউমেন্নজগে ওজা গুরুগা
মরী মতা ইচা ইশু
নুংশি মরীনা পুনশিল্লু
থাদোক্লরোইসি নঙ ঐ
হন্দক্কী মপোক লাংওনদি।
নুংশি মশক খঙদবশিংদি
আনোক উপহল্লে নঙনা
রেদিএসনগী অনাবসু থোকহল্লে
সাইক্যাত্রিক লৈরেসু হায়নরে
পরিক্ষাসু ফেল ওইহল্লে
তুথী যূম্বানসু ফৎনদ্রে।
হাদা মোবাইল নুংশিবী
অফ-ফত্ত অনীমক্কী
অপাম্বা পীনবা নথৌদাংনি,
লমজিংঙু নঙনা অপংবশিং
খঙহল্লু ওমোর ওইহৌরনি
গুগলনা হিংলিঙৈ মালেমদা।

## হল্লকখিগনি

—থবাতোম্বী ঙাংবম

ঐদি লৈহৌখিগে
নাইতোম তাবা অশৈবা ওইনা।
ঙাইহৌখিগে,
নুংথিলগী মৈশানা কাথেকপীখ্রবা
অয়ূক্কী লীল্লাবু,
নুমিদাংৱাইগী ৱাউথরক্লবা য়াচঙবনা
খূৎশম্নরদুনা পুরকপা।
য়েংহৌখিগে
নাকেন্থানা ঙম্না উনা কেলহনবীরম্লবা
মৰূ কোল্লবা তলানা
য়েন্নীংগী ফিজোল হোংলকপা।
পীরমখিগে
ৱানা চাক্লা ঙাইজরিবা
ঈখৌ লাংলিবা থম্মোয়দুদা
মিনুংশিগী ৱাহৈ অমত্তং
মমল লৌদনা ঐনা।
লম্বীসিদগী,
শোয়দনা হল্লকখিগনি নোংমদি
পূক্নিংগী খৌরাংবসিনা কোল্লবা মীৎকুপ্তুদা
মোমোন মিনোক পুরদুনা
নখোয়গী ননাক্তা।

## লমতা থাগী থাজদো


—শ্রীকাংজম নন্দকুমার


ইকায়রদুনা
লমতা থাগী থাজদো
লৈচিল্লক্তা লোৎখরে।
শাবি শানৌশিংনা

মতম মতমগী ৱাখল

# মণিপুরী সিনেমা অমদি খোরিরোলগী লাইরিক

## (মণিপুরী সিনেমা চহী য়াঙ্খৈ শুরকপা চৎথরিবা থৌরমগা মরি লৈননা ইজবা)




সিনেমা নৎত্রগা ফিল্ম হায়বসি মমিনা শান্নবা লীলানি নৎত্রগা মমিগী কূম্মৈ মখল অমনি হায়নরগসু সিনেমা নৎত্রগা ফিল্মদা খোরিরোলগী মফম চাওনা লৈরি । খোরিরোল য়াওদনা মপূং ফারবা সিনেমা অমা শেমলকপদা মপূং ফাবা ঙমদে । Literature is an art which is developed through writing while cinema brings to life those writings to life through sound, music, visuals, and actors. Literature has all the meanings hidden in itself that are used to develop a film. মমি কূম্মৈ অমনা থৌদোক ৱারী লীদুনা অয়েংবশিংদা খঙহল্লি, উহল্লি, তাহল্লি । খঙহন্নবা, উহন্নবা, তাহন্নবা হোৎনবদা, ৱারী ৱাতাই,ঈশৈ ময়াম অমা করেক্টরশিং অদুনা অমগা অমগা ঙাঙনরি শক্লরি । মফম মতম খঙহল্লি। পূম্নমক অসি খোরিরোলগী মথৌ ঙাক্তনি । মপুং ফাবা ফিল্মগী ৱারী অমা শাগৎলকপদা খোরিরোলদগী শেমলকখিবা ঙাক্তনি।

মণিপুরী সিনেমা নৎত্রগা মণিপুরী ফিল্ম শাগৎলকপদা মণিপুরী খোরিরোলগী ফোংদোক্লবা ৱারী লাইরিকশিংদগী শেমলকখি। অহানবা মণিপুরী ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর' অসি অরাম্বম সমরেন্দ্রগী 'তীর্থ যত্রা' হায়রিবা ড্রামা অসিদগী শেমখি। অনীশুবা ফিল্ম ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা অসি ডাক্তর লমাবম কমলগী 'ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা' ৱারীদগীনি । মহাক্কী মমিং লৈখিবা নোভেল 'মাধবী' অসিমকসু ফিল্ম নমখি। মতৌ অসুম্না এম ডি ইয়ুগী ড্রামাশিং- হাউবং লৈশং সাফবী ড্রামাদগী,'সাফবী' 'য়াইরিপোক থম্বালনু' ফিল্ম পুথোকখি। জি সি তোংব্রাগী 'তাইবং গাইত্রং'দগী 'খুৎথাং লমজেল', লমজা পরশুরাম অসিনচিংবা মথং মথং ঙল্লিঙৈগী সিনেমাশিং পুথোকলকখি। অরাম্বম সমরেন্দ্রগী লৈপাক্লে ড্রামা অসিমক ফিল্ম ওনখি, রুপ মহলগী মাইনুপেমচা ফিল্ম নমখি। ৱারীমচাশিংদগী শেমখিবা মণিপুরী ফিল্মশিং লৈরি। ফিল্মশিং অদুদি- এম কে বিনোদিনিগী 'শ্রীবন চীংগী তম্নলাই'দগী 'সনাবী' ফিল্ম,লমাবম বীরমণিগী 'অতীথি' ৱারী মচাদগী 'নোংমা ফাদোক লাকপদা' ফিল্ম ওনখি। অরিবম শ্যাম শর্ম্মাগী ৱারীমচা 'লাইবকথীবী' ৱারীমচাদগী 'লাইবক থীবী' মিংথোনবা ফিল্ম পুথোকখি। হিজম অঙাংহলগী নোভেল 'জহেরা' ফিল্ম নমখি । মণিপুরগী অচৌবা এপিক অমা ওইরিবা খম্বা থোইবী ৱারীদগী 'খম্বা থোইবী' ফিল্ম স্ক্রিপ্ট শেমদুনা ফিল্ম নমখি।

মখা তারকপদা মণিপুরী ফিল্ম নম্মবগীদমক ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটর কয়া থোকলক্তুনা অইবশিংনা মণিপুরী ফিল্মগীদমক শাগৎ ৱারী ফিক্সন,ক্রিয়েটিব স্টোরি কয়া শেমদুনা মণিপুরী ফিল্মশিং নম্মরকখি । ফম্বাক্তা শান্নখিবা ঙাক্তা নত্তনা রেডিও দ্রামা অমদি দুরদর্শনগী টেলেপ্লে ওইনা শন্দোকখ্রবশিংদগীসু ফিল্ম স্ক্রিপ্ট ওন্থোক্তুনা মণিপুরী সিনেমা ওইনা পুথোকখিবশিং লৈরি। খরদং পঞ্জরবদা এম,কে, বীনোদিনিগী, 'নোংমা ফাদোক লাকপদা','নঙনা কপ্পা পকচদে', অরাম্বম সমরেন্দ্রগী 'লৈপাক্লে', মোইরাংথেম ইনাওগী 'চৎলেদো ঐদি থম্মোয়নুংদা মৈগী চীং পুদুনা' অসিনচিংবা কয়া লৈরি। পূম্নমকশিং অসি খোরিরোলগী পোৎথোক ঙাক্তনি। ফিল্মগী স্ক্রিপ্ট হায়বসি শেমলক্লবগীদমক হান্না ফোংদোক্লবা খোরিরোলশিং- ৱারীমচা ,নোভেল , ড্রামা,শৈরেংশিংদগী লৌখৎপসিসু ঙল্লিঙৈদা য়াম্না তৌনরকই। ফম্বাক কূম্মৈ অমা ওইনা মায় পাকখ্রবশিংদগী এডাপটেসন তৌবা নৎত্রগা সিনেমাটাইজেসন তৌদুনা ওন্থোকপা অসিসু চৎনরকপা অমনি। নৌনা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অমা ওইনা শেমদোক শেমজিন তৌবা, স্ক্রিনপ্লে ইবা হায়বসি হীরমসিদা খঙ হৈরবা অমগী পোৎথোক ওইদ্রগদি মাইপাকপা লুগনি। ফিল্মগী ৱারীদি ঙাঙনরিবা ডাইলোগ ফজরগা, ৱারী ফজরগা ঙাক্তসু ওইবা য়াদ্রি ফিল্মবু মমাই চুম্লিবা শেম শারিবা ফিল্ম ডাইরেক্টরগী হৈ শিংবা ট্রিটমেন্ট খুপুথোক্তসু লৈরি। গাড়ি অফবা টাটা গারিওইরগসু মারুটি, হোন্দাই গাড়ি ওইজরগসু থৌগদৌরিবা ড্রাইভর হৈত্রগদি চীংমাইদা থেংজিনবা, লোকখাদা তাবা অদুম য়াওরি । অফবা স্ক্রিপ্ট, অখঙবা ফিল্ম মেকর হাইবসি অফবা ফিল্ম পুথোকপদা মথৌ তারকই। ইংরাজিগী ৱাহৈদা Film making is not an easy task. It is not a cup of tea..অখঙ অহৈশিংনা অসুম্না হায়নৈ ।

মণিপুরী সিনেমা চহী ৫০ শুরক্লি, অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট শেমদুনা অফবা ফিল্ম মেকর কয়া থোকলকখ্রে । চহী ৫০গী চেন্থরক্লিবা মণিপুরী সিনেমাগী ইচেল অসিদা চেন্থমিন্নরক্লিবা ঙাক্তনি। পূম্নমক আর্টফোম অসিবু নুংশিজবা, পামজবদগী চঙশিনমিন্নরকপনি। ওডিও ভিজুএলগী পোৎথোক ওইজরগসু সিনেমা হায়বসিগী মরোল লোললিবা, থৱায় হাপ্লিবশিংগী মনুংদা খোরিরোল অসি মরুওইবা অমা ওইবনা ঐখোয়না সিনেমাদা খোরিরোলনা লৌরিবা থৌদাং অমদি কল্লিবা মফম অসি খঙমিন্নদবা য়াদে ।

কনাগুম্বনা হায়বা য়াওই, অফবা ৱারীমচা ময়াম অমা লৈরিবশিং অসিদগী খল্লগা মণিপুরী সিনেমা নমদ্রিবা করিগীনো ? মণিপুরদা ফজবা ৱারীমচা কয়া ফোংলবা লাইরিকশিংদা ঐখোয়না পাবদা থেংনরি। অফবা ৱারীমচা নৎত্রবা নোভেল লৈরে হায়দুনসু ফিল্ম স্ক্রিপ্ট ওন্দুনা ফিল্ম হেক নম্বা হায়বসি য়াদবসু লৈরি । ৱারী ওইনা, ড্রামা ওইনা কয়া য়ৌদ্রগসু ফিল্ম ওইনা পুথোক্পীরকপা মতমদা থাজদনা ফজবা ফিল্মসু য়াওদবা নত্তে। ফিল্মগী স্ক্রিপ্ট খনবা হায়বসি প্রড্যুশর ডাইরেক্টরগী অপাম্বগী মখাসু পোল্লি ।

হৌজিক মণিপুরী সিনেমা লাক্লিবা এপ্রিল ১৯২২ অসিদা চহী ৫০ শুরকপগী চহী অমা চূপ্না চৎথরকপা থৌরম মপূং ফারগনি। চহী য়াঙ্খৈ অসিদা পুথোকখিবা মণিপুরী সিনেমাগী মরমদা ইবা,ফোঙলবা লাইরিক কয়াম লৈরবগে ? ফিল্ম ওইনা নমখিবা মশীং ফনা য়াম্লে । নমখ্রিবা ফিল্মশিং অসিগী ফিল্ম টেক্সটবুক কয়াম ফোংদুনা মীমদা ফংহনখ্রবগে ? ৱাহংশিং অসি মীওই খরখক্লা হংনৈ । মী অয়াম্বনা হংবা থেংনদে । ফিল্ম অমা নমখ্রবদি মপূং ফারবা ফিল্ম অদুগী টেক্সট লৈখ্রবনি। টেক্সটশিং অদু করীগী লাইরিক অমা ওইনা শাংলবা চহী য়াঙ্খৈগী খোঙজেল অসিদা উবা ফংদবগে ? ফিল্মগী নৈনমী খরখক্লা পুথোকখিবা ফিল্মগী নৈনবা লাইরিক খরদি ঐখোয়গী মিৎতা উরে। পাবা ফংলে । খরদং পনবা তারবদি অরিবম শ্যাম শর্ম্মাগী 'মণিপুরী সিনেমা ঐগী পাউদম', রাজকুমার বিদুরগী 'ৱাখল মচু মচু', য়াম্বেম তোম্বী দেবীগী লাইরিকশিং- 'সিনেমা সিনেমা অমসুং সিনেমা, ফিল্ম অমসুং ফিল্মগী আর্ট, ফিল্মদা য়েক্লিবা পূন্সিগী মচুশিং', নাওরেম গন্ধারগী 'ইন্দিয়ান সিনেমাগী নুপী অহুম' অমদি ইংরাজিদা হেরোজিত নোংমাইথেমনা ইদিট তৌবা India's North East Cinema অদুগা বোবি ৱাহেংবমগী Manipuri Cinema অসিনি।

বোবি ৱাহেংবমগী Matamgi Manipur হায়বা ইংরাজিদা ২০১৭ ফোংবা লাইরিক অসিমদি মণিপুরী সিনেমাগী লাইরিকশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা লেমজনিংঙাই ওইবা নেস্নেল এৱার্দতা স্বারনা কমল ফংখিবা লাইরিক ওইরি। ফিল্মগী লাইরিক অমা ওইনা মণিপুরী সিনেমাগী খোরিরোলগী লাইরিক্তা স্বার্নননা কমল ফংলকপসি মসিনা হৌজিক ফাওবগী অহানবা ওই । লাইরিক অসিদা অখন্ননা অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ওইখিবা "মতমগী মণিপুর" সিনেমাগী ফিল্ম অমা ওইরক্লবা শেমলকখিবগী খোঙচৎ অমদি মরি লৈনবা ৱারেংশিং লাইরিক অসিদা নৈনরি।

চহী অসিগী ওইনা মণিপুরী সিনেমাগী খোরিরোলগী অচৌবা থৌরম অমদি লক্লিবা এপ্রিল তাং ৩, ২০২২ অসিদা মেঘচন্দ্র কোংবমনা ইবা লাইরিক MANIPURI CINEMA মিংথোনবা অচৌবা অমসু ফোংনবা মতম, মফম লেপখ্রে । লাইরিক অসি হৌজিক ফাওবা পুথোক্লরিবা মণিপুরী ফিল্মগী লাইরিকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা অমদি কূপ্না নৈনবা লাইরিক অমদি ওইগদৌরি। লাইরিক অসি ইংরাজিদা ইবনি। মণিপুরগী মপান লমগী মীওইনা হেন্না খঙনবা পান্দম অমগী মখাদা ইংরাজিদা ইবনি। হৌজিক ফাওবা মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী ওইবা য়াবা লাইরিক লৈত্রি । লাইরিক অসিমক মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী ওইরবা লাইরিক্লি হায়বমক্তি য়াদ্রি অদুবু মণিপুরী সিনেমাগী (সেলুলোইদ)হৌরকপা, চৎলিবা খোঙচৎ,ওইরিবা ফিভম ময়াম অসিমদি ময়েক শেংনা কূপ্না নৈনরবা অমদি ওইগনি। লাইরিক অসি ফোঙদ্রিবা অমদি কূপ্না পাদ্রিবা মরম্না মতাং অসিদা হেন্না পঞ্জবা ঙমদ্রি । মণিপুরী সিনেমাগী চহী য়াঙ্খৈ শুরকপগী চৎথরিবা থৌরমগী মনুংদা অইবা অমদি অফোংবনা মতম চানা, মনুং চন্না পুথোকপীরকপা অসিনা অইবগী মফমদা থাগৎচবা অমদি নুংঙাইবা অদুমদি ফোংদোকচনিংলি। মণিপুরী সিনেমাগী খোরিরোলদা অচৌবা মফম অমা কনবীদুনা লাইরিক ওইনা ফংহনগদৌরিবা অসিনা মতম কুইনদগী নীংজরকপা, মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী লাইরিক ওইনা উজনিংবা লাইরিক অমদি উবা ফংলগনি।

হৌজিক মণিপুরী সিনেমাগী খোরিরোল ময়েক শেংবা, মশক থোকপা হেনগৎলক্লি। ৱাৎহৌরিবা সিনেমাগী খোরিরোলগী পোৎশক ময়াম অমা মখা তানা পুথোকলকপা ওইরকখিসনু । হৌজিক ফাওবগীদি লন্নাই ওইনা অইবা অমদি অফোংবা খরনা পুথোকচবনি। পুথোক্লিবসি মথৌ তাবা, খঙনিংবা হীরম অসিদা থিজিনবশিং খরতগী পানবা লাইরিক ওইরগদি মণিপুরী সিনেমাগী ৱারীদি খঙবীদনা লোইখিগনি। মরী লৈনবা লোয়শঙনা খরা হেন্না মতেং পাংবীরগদি অহেনবা অফবা লাইরিক মখা তানা থোকলকখিগনি । ফোঙখ্রিবা লাইরিক খূদিংমক অসি মীপূম খূদিংমক্লা পাকশন্না পাহঞ্জনীংই ।

—মাখোনমনি মোংসাবা

# রাগ দরবারী-১৩৬

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদুদদি ফীভম ফগৎলক্তুনা লোইশিনবগী মহুৎতা তশেংনমক হৌজিক্তা ওইনা হৌগৎলকপা ওইনা তৌরে।

মহাক তুমিন্না কা অদুদা ৱারি অদু তাবা ঙমদ্রদুনা কাদগী থোক্লক্তুনা শান্তি-দুতকী বিজিনেস তৌবা হৌরকই। মহাক্না হায়, "পাবুং, হৌজিক হায়বা-তাবগী মতম অদু নৎত্রে করিসু কান্নররোই ! হৌজিক্তি ঙরাং পাবুংনা প্রিন্সিপাল সাহবকী মমাংদা ঙাঙখিবা ৱা অদুমক ঙাঙবিরো। মদু ওইনা হন্না হায়বিরো। তশেংনমক বদ্রি দাদা বেলাগী লাংদা থুরবদি ঐসু হৌজিক্তি জাৎ-বিজাৎ থাজদ্রে হায়বা হৌরগনি।"

রুপ্পনগী ৱা অদু লোইদ্রিঙৈদা মহাক্কী ঙকশম অদু তেকখিবগুম্না তৌরকই। নুমীৎ খুদিংগী থোকপা থৌদোক হায়বদুনি। বদ্রি শাফবা নুমীৎ খুদিংগী কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা অমগী মঙকশমদা মাগী মখুৎনা হেক-হেক পায়বনি। ঙসিদি মহাক্না রুপ্পনগী মঙকশম ওইনা পায়রে। অদুবু রুপ্পন বাবু অদু মীৎকুপ খরগী মনুংদা গ্যান মাঙখি। বদ্রি শাফবনা ময়া চিক্লদুনা হায়রকই, "নঙ যূম অসিদা নেতাগিরি তৌগদ্রা? ঐবু বেলাগী লাংদা থুব্রা! ৱাফব অদুসু ঐ মক্কী মাঙদা হেক হায়বা ঙম্বা। ৱাখল য়াওদবা !"

রুপ্পনগী মঙকশম অদু বদ্রি শাফবনা পায়রদুনা মাঙ্গোললোমদা ইল্লি। রুপ্পন বাবু গ্যান মাঙখিদুনা হৌজিক-হৌজিক ৱাখল য়াওদবা হায়না ফংখিবা টাইটল অদু মশানা য়ারসিরা নৎত্রগা হন্দোক্লসিরা হায়বা ফাওবা খঙবা ঙমখিদ্রে। শোমদনা বদ্রি শাফবনা ৱেদ্যজিদা ঙাঙদুনা লৈরম্মী, "মসিবু কৌই অশেংবা নেতা হায়বদু! মহাক্না মঙোন্দা লৈমায় অনী পানবা চিঠি অদু থাবনি। করিনো খঙদে মদুদা করি-করি য়াওরিবনো হায়বদুসু! মশা লাংদা থুজরগা ঐঙোন্দা অমুক লাংদা থুরে হায়জিনবনি।"

রুপ্পন বাবু অদু তুগে তৌবদগী তুবমক্তি তুহৌদ্রে। মহাক্না হায়ফেৎ শাউরদুনা হায়রকই, "ঐহাক অদুক হাক্না ৱাখল য়াওদবা মী নত্তে, মসিগী মতাংদা নঙগা ৱারি শাবগীসু মথৌ তাদে।" ৱেদ্যজিদা হায়রকই, "পাবুং, হৌজিক মঙোন্দা ৱা অমা ঙাঙবা হায়বসি করিসু কান্নররোই। মহাক্না তৌবা পাম্বা থবক অদু অদুমক তৌহনখ্রো।"

অদুবু তাঞ্জা অদু ৱেদ্যজিনা এদভাইস লৌবগী মহুৎতা পীনবগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরিবনি। খোঞ্জেল হৌনা শাউনা হায়রকই, "অমবু ওইরে অমবু ওইরে রুপ্পন, মসিগী মতাংদা নঙনা ৱা ঙাঙবগী মতম নত্তে। নখোয় অনীমক ঐনা য়ানিংদে। নঙগী লোনচৎকী মতাংদসু ঐনা লোয়না পাউ ফংলবনি।"

রুপ্পন বাবু মৈ হৌনা শাউরদুনা ফল্লদুনা হায়রকই, "ৱাফম অসি য়ৌরক্লবদি পাবুং, নহাক্কী লোনচৎকী মতাংদাঐঙোন্দসু পাউ য়াম্না ফংই।"

মতম অদু লাল অদুগী অরোইবা তানফমনি। বদ্রি শাফবনা ফাগী ওইনা মহাক্কী মপাদা হায়রকই, "তারব্রা?"

রুপ্পন বাবু ফৎ লাওনা মপানলোমদা চৎখি। ৱেদ্যজি ফমুং মনাক্তা তুমিন্না লেপ্পুনা লৈ। অদুগুম্বা তাঞ্জা অদুদা ফিল্মদা হেরোগী মপাগুম্না তুমিন্না কপ্পগী মওং অদুদি তৌখিদে। কনাগুম্বা অচৌবা নেতা অমনা মহাক্না তৌখিবা স্কেম অমগী মতাংদা কম্মিসন অমা শেমদুনা থীজিনবা হৌরগনি হায়বগী পাউ ফংবদা মীয়ামদা পীবা ভাষনগুম্না মহাক্না অদুগুম্বা ভাষন অদু পীখিদে।

হায়বদি স্কেম করপসনগী ৱাহন্থোক তশেংনা লৈগদবনি হায়বা ৱাফমনি। মশানা ইবা লাইরিক্তা য়াম্না ফজদে হায়না আলোচনা তৌরদুনা ইরকপা অদুবু পারদুনা টেক্সবুক কম্মিটিগী থৌজালদগী লাখপতি ওইখিবা সাহিত্যকারগী মওংগুম্না নোকপা মীনোক অদুম্নদি নোকখিদে। মহাক্কী ৱাখল্লোল মায়োক্তা চাওনা য়েৎপা হায়বদু ওইরবসু মহাক্না অরানবা তৌহৈদবা থবক অমত্তা তৌখিদে। মহাক তুমিন্না অদুমক লেপ্পুনা লৈ। মহাক্না লৈরিবা শিনফম অদুদা য়াম্না লায়না তৌবা য়াবা থবক ফাওবা তৌখিদে অমদি মহাক্কী মচিন্দগী 'হে রাম' হায়বা ৱাহৈ ফাওবা থোকখিদে!

নুংথিলগী মতম লোইশিল্লক্কদৌরে। হল্লুৱা য়োনবা দুকান অমদা হল্লুৱা য়োনবা মীশক অমসু ফমদুনা লৈরম্মী। থাপ্পা য়েংবদা হল্লুৱা ঙাক্তা ওইনা উই। দুকান অদুগী মখাদা নেতা অমা লেপ্পুনা লৈরম্মী। নুপা অদু থাপ্পা য়েংবদা নেতা ওইনা উবনি। মফম অদুদা সাইকল হেন্দল পায়রদুনা পুলিস অমসু লেপ্পুনা লৈ, নুপা অদুসু লাপ্পা য়েংবদা পুলিস ওইনা উবগী ৱানি। দুকানদা থল্লিবা পৎথ-পুমথরবা মিঠাইশিং অদু পোৎয়ান কয়ানা য়ানশিল্লগা শেম্বনি হায়বদু অদুমক হেক উবদা খঙবা ঙম্মী, অশেংবসু অশেংবা ৱাফমনি। শঙ্গোমদা ঈশিং মরাং কায়না য়াল্লি অদুবু অতোপ্পা পোৎয়ান অমা হাপচিনবদগী শঙ্গোম অদু মহী নংনা উই। মালেমগী ওইনা য়েংলুবদা মফম অদু তশেংনমক স্বর্গ হায়বা মফম অদুনি মরমদি অচুম্বা খুদিংমক মফম অসিদা তশেংনা ময়েক শেংনা উবা ফংই। অথুপ্পা-অরোনবা অমত্তা লৈরমদে, লোন্না-থুপ্না থম্বগী মথৌসু তাদে।

দুকান অদুদা জলেবি, মিঠাই অমদি অতৈ চানবা পোৎলমশিং লৈরম্মী। মদুগী নাকলদা মীংশেল মনুংদা অপিক-অপিকপা কন্টেনর খরদা চৈ মতে মানবা চান-থক্লবা পোৎলম খরাসু য়াওদুনা লৈবা উই। শিবপালগঞ্জদা ফংলিবা অদুগুম্লবা মিঠাইশিং অদু অতৈ মফমশিংদসু লোইনা ফংই।

মফম অদুদা রুপ্পন বাবু অমদি লঙ্গরসু উন্নররে।

রুপ্পন বাবুনা লঙ্গরদা তোঙানবা মীৎয়েং অমদা য়েংই। অদুবু ঙসিদি রুপ্পন বাবু অদু ৱাখল শোন্থনা লৈরম্মী। মতম অদু বিশ্বমৈত্রি অমদি পঞ্চশিলগী সিধান্ত খুদিংমক য়াম্না লায়না এপ্লাই তৌবা য়াবা মতম অমনি। মরম অদুনা মহাক্না খোঞ্জেল তপ্পা হংলকই, "করি করমহায়না তৌখ্রবগে নহাক্কী থবক্তুবু?"

"ঙসিদি ছুতিনি, বাপু! চপচানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু কোপি অদুদি হৌজিক ফাওবদদি শোয়দনা শেম্বা লোইরম্লগনি।" লঙ্গরনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা ওইখিবা দিভেলপমেন্টশিং অদুগী মতাংদা হায়বা হৌরকই, "কোপি অদু মতম অদুদা শেমদি শেমখ্রবনি, অদুবু ইশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা ঐনা লৌবা চৎপা ঙমখিদবনি। নুমীৎ অদুদা সদরগী কোর্ট অদুদা তুশিনবা অদুদা হৌগৎপা ঙমখিদবনি। মতম অদুদা শিবা তারবদি খুঙ্গংদা শিজরগে হায়না খনখিবনি। মফম অদুগী ঠাকুর অমনা ঐহাকপু মহাক্না পুবিখিবনি। মফম অদুগী মীওইশিংনা হায়বদা ঐহাক্না নাখিবা লায়না অদু লাইহৌ মখল অমগী লায়নানি হায়।"

"নোংমা খুঙ্গং অদুদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া গাড়িদা লাকখি। খুঙ্গং অদুগী মফম কয়াগী ফক্লাংশিংদা করি-করিনো ইংলিসতা য়াম্না ইরমখি। মদুগী মতুংদা বাপু, মখোয়না ঐগী ঈ চিংথোক্তুনা মেছিনদা হাপচিন্দুনা য়েংই। অঙকপা অমনা বাপু, কলি যুগকী মতম হায়বদুনি, ঐহাক ইশামক খুঙ্গংদা পোকচবা চমজরবা মীওইনি। অদুগা লায়নানা বিলায়টিগী লায়না অমা নারে। গাড়িদা লাকপা মীওইশিংনা হায়রম্বদা লঙ্গর অচৌবা মীওইনি, মহাক মলেরিয়ানা নাবনি হায়খি।"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা